# নোংমদা মী ৯২ শিদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইখ্রে

গুৱাহাটি, মে ১৭ (এজেন্সী): হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অসামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬,৩৯৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৯২ শিহনখ্রে। ঙসি মীওই ৯২ শিখিবা অসিনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি হায়না হেল্থ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগীদমক পুন্না সেম্পল ৯১,৪৮১ লৌখৎখি। মদুগী মনুংদা ৬,৩৯৪ পোজিটিভ ওইরমখিবনি। অসামদা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ৯২ শিবা অসিনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি।

অসামদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ৬.৯৯ ওইরি। অসামগী ওইনা কামরুপ মেত্রো দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী হেন্না কোভিদ-১৯ গী চৈথেং ফংলি। অসামগী ওইনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬,৩৯৪ থেংনখিবগী মনুংদা কেস ১,১০০ দি কামরুপ মেত্রো দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগী ওইরি। অসামদা কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৫.৭৩ ওইরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩,৬৫০ থেংনখিবনি। অদুগা লায়না লাইচৎ অসিনা নুমিৎ অসিদা পুন্না মীওই ৫৬ শিহনখি। অসামদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা মে ২১ দগী দিষ্ট্রিক্ট অমদগী দিষ্ট্রিক্ট অমদা চৎপদা অথিংবা থম্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



তেলৌ চনা শৈজাং গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর অঙোম যামিনিনা লুচিংদুনা কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি শেমখিবগা লোয়ননা লমলাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইনা লমলাই প্রাইমরি স্কুলদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংনা লৈনবা আইসোলেসন সেন্তর অমা হাংদোকখিবা

# কোভিদ কেস হেনগৎলকপদগী দিমাপুরদা ওক্সিজেন অমসুং হোস্পিটাল বেদ ফংদবগী প্রোব্লেম লৈরে



দিমাপুর, মে ১৭ (এজেন্সী): নাগলেন্দদা কোভিদ-১৯ কেস ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী দিমাপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন অমদি বেদ কোন্নদবগী প্রোব্লেম লৈরে।

দিমাপুরগী কোভিদকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী নোদেল ওফিসল ৱাই কিখেতো সেমানা ফোঙদোরকপদা, নোংমাইজিং নুমিত্তা দিটেক্ত তৌখিবা নাগালেন্দগী কোভিদ-১৯ কেস অপুম্বগী চাদা ৬১ দি দিমাপুরদা রিপোর্ট তৌখি। ফীভম অসি লাকপগা লোয়ননা ঐখোয়না লায়চৎ অসিগী খ্বাইদগী ফত্তবা তাঙ্কক্কীগীদমক্তা শেম শাবা মথৌ তাই।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না দিমাপুরগী কোভিদকী ফীভম লুনা লৈ। কোভিদ পেসেন্টশিংগী অহেনবা বেদশিং থিবদা সেমানা তঙাইফদনা দিমাপুরগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা চৎখি। তৌইগুম্বসুং মেদিকেল ওক্সিজেন অমদি অহেনবা বেদ লৈতবনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল অমত্তনা অহেনবা কোভিদ পেসেন টশিং এদমিট তৌবিয়ু য়াখিদে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা সেমানা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটাল অনীমক্তা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অদু য়েংদুনা অহেনবা বেদ অমসুং ওক্সিজেন ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। চীফ সেক্রেটেরি জে অলমনা চেরমেন ওইদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ রিভিয়ু মিটিং পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা অলমনা মীয়ামদা মীপায়দনবা অমসুং কোভিদ-১৯ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌখি। ওক্সিজেন অমসুং অহেনবা বেদশিং হাপচিনবগী ৱাফমসু মীফম অদুদা খন্নখি। ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর এস পাংন্যুম ফোমনা মীফম অদুদা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেতরগী ৩ শুবা প্লান্ট এম কে জি দি ঐচতা ইন্সটোল তৌনবা হোৎনরি হায়খি।

# ত্রিপুরাদা স্কুল মহৈরোয়শিংগী টি ভি চেনেল লোঞ্চ তৌখ্রে

অগরটালা, মে ১৭ (এজেন্সী): ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব অমসুং এদ্যুকেস্নেল মিনিষ্টর রতনলাল নাথনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী স্কুল মহৈরোয়শিংগীদমক্তা ফুল-টাইম দেদিকেটেদ টি ভি চেনেল অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

স্কুল মহৈরোয়শিংগী ক্লাসশিং ব্রোদকাষ্ট তৌনবগীদমক্তা স্কুল এদ্যুকেসনেল দিপার্টমেন্টনা ২০x৭ এদ্যুকেস্নেল টি ভি চেনেল অমা ওইরিবা বন্দে ত্রিপুরা লোঞ্চ তৌখিবনি। অহানবদা হান্না রেকোর্দ তৌরবা ক্লাসশিং চেনেল অসিদা ব্রোদকাষ্ট তৌগনি অমসুং মতুং তারকপদা চেনেল অসিনা ওনলাইন ক্লাসশিং ব্রোদকাষ্ট তৌবা হৌগনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা অগরটালাদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিয়েটনা চেনেল অসি হৌদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর দেবনা হায়খি, এদ্যুকেসন হায়বসি মরু ওইবা সেক্তর অমনি। সেক্তর অসিদা মহৈরোয়শিংগী এদ্যুকেসন অপগ্রেট তৌনবগীদমক্তা অনৌবা রিফোর্ম ২৪ লৈহল্লে। থৌরাং অসি য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিনা থাগৎলক্লি।

নৌনা লোঞ্চ তৌরিবা এদ্যুকেস্নেল টি ভি চেনেল অদুনা ত্রিপুরাগী মহৈরোয়শিংবু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা ময়ুমদা ক্লাস য়াওবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। রতনলালনা হায়, থা ১৪ চুপ্না স্কুলশিং থোঙ লোল্লকপদগী ত্রিপুরাগী এদ্যুকেস্নেল সেক্তর অসি চাওনা চৈথেং নংলে।

# বি এস এফনা লুপা লাক্ষ ২.৭৬ কী অথিংবা থম্বা পোৎলমশিং ফারে

অগরটালা, মে ১৭ (এজেন্সী): ত্রিপুরাদা বি এস এফনা লুপা লাক্ষ ২.৭৬ কী ওইগদবা অথিংবা থমখ্রবা আইটেমশিং ফাগৎখ্রে। আইটেমশিং অদু অকক্লবা ইনি টলিজেন্স পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোর্স অসিগী মীওইশিংনা ফাখিবনি।

বি এস এফকী বোর্দর আউট পোষ্ট করামটিলা অমসুং অলিমঘাদ বোর্দর আউট পোষ্টকী পর্সনেলশিংগী অপুনবা অখন্নবা পেত্রোলিং পার্টি অমনা য়াল্লবা গঞ্জা অমসুং ফেন্সিদাইল ফাখিবনি। পোৎলমশিং অদু শাব্রুম সব দিভিজনগী মনুং চনবা বোর্দর এরিয়াদগী রিকোভর তৌখি।

বি এস এফ ত্রুপ্পরশিংনা মোর্দরগী ফোরেষ্ট এরিয়াদগী ফাখিবশিং অদুদা গঞ্জা কেজি ৪৫ অমসুং ফেন্সিদাইল বোটল ২৭৫ য়াওখি। বি এস এস ত্রুপ্পরশিং অদুনা ফারিবা গঞ্জা ময়ামদুগী মমল লুপা ২,২৫,০০০ রোমগী ওইগনি অমসুং ফেন্সিদাইল বোটলশিং অদুনা লুপা ৫১,৩২৮.৭৫ কী ওইগনি।

পোৎলমশিং অদুগী অপূনবা মার্কেট ভেলু লুপা ২,৭৬,৩২৮.৭৫ নি হায়না বি এস এফকী ষ্টেটমেন্টঅমনা ফোঙদোরক্লি। ফারবা আইটেমশিং অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক পি এস মনো বজার (সাউথ ত্রিপুরা) পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে। পনবা য়াবদি বি এস এফনা হৌখিবা থাগী অরোইবা শরুক্তসু তোঙানবা তোঙনাবা ওপরেসনশিংদা গঞ্জা কেজি ৫০০ হেন্না ফাখ্রবনি।

## CROSSWORD-3783



**ACROSS**

1 Spanish capital (6)
4 Walk with long steps (6)
8 Wed (5)
9 Type of lettuce (7)
10 Puzzling questions (7)
11 Call upon (5)
12 Dispirited, downcast (9)
17 Happen (5)
19 Wind instrument (7)
21 Sleep (7)
22 Plunder (5)
23 Be unsteady on one's feet (6)
24 Away from the coast (6)

**DOWN**

1 Remembrance (6)
2 Made fun of (7)
3 Story or scene of happy innocence (5)
5 Dozens (7)
6 Thoughts (5)
7 Fourscore (6)
9 Police officer (9)
13 Short moral story (7)
14 Certificate (7)
15 Tight-fitting undergarment (6)
16 Remained (6)
18 Pastry covering (5)
20 Not rural (5)

**Solution 3782**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | B | O | E | | F | O | O | L | S | C | A | P |
| N | | N | | P | | X | | I | | E | | E |
| A | N | C | H | O | V | Y | | M | I | N | O | R |
| N | | U | | I | | G | | I | | T | | U |
| D | R | E | S | S | | E | N | T | I | R | E | |
| O | | | | O | | N | | | | A | | C |
| F | A | M | I | N | E | | A | P | O | L | L | O |
| F | | E | | | | C | | A | | | | M |
| | U | N | W | E | L | L | | E | P | S | O | M |
| C | | T | | N | | E | | L | | M | | E |
| H | O | I | S | T | | V | I | L | L | A | I | N |
| I | | O | | E | | E | | A | | L | | C |
| C | O | N | T | R | A | R | Y | | G | L | U | E |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3582**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | | 3 | | 6 | 2 | |
| | | | | | | | 9 | |
| 1 | | 9 | | | 6 | 8 | | |
| 9 | | 6 | | 1 | 3 | | | |
| 3 | | | | | | | | 9 |
| | | | 7 | 9 | | 3 | | 2 |
| | | 2 | 3 | | | 5 | | 4 |
| | 8 | | | | | | | |
| | 9 | 3 | | 6 | | | 7 | |

**Solution-3581**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 1 | 9 | 2 | 8 | 6 | 3 | 4 |
| 9 | 3 | 8 | 6 | 4 | 1 | 2 | 5 | 7 |
| 2 | 6 | 4 | 3 | 7 | 5 | 8 | 9 | 1 |
| 5 | 4 | 7 | 8 | 6 | 3 | 9 | 1 | 2 |
| 8 | 2 | 3 | 1 | 9 | 7 | 5 | 4 | 6 |
| 1 | 9 | 6 | 4 | 5 | 2 | 7 | 8 | 3 |
| 4 | 7 | 2 | 5 | 1 | 9 | 3 | 6 | 8 |
| 6 | 8 | 9 | 7 | 3 | 4 | 1 | 2 | 5 |
| 3 | 1 | 5 | 2 | 8 | 6 | 4 | 7 | 9 |

## EMPLOYMENT NEWS

Dedicated Freight Corridor Corporation of India Limited (DFCCIL) invites online applications from eligible candidates for recruitment of following Junior Manager, Executive and Junior Executives in various disciplines. The last date for registration of online applications is 23rd May 2021.
Advertisement No. 04/2021
Name of Post
Total Vacancies
Junior Managers
111
Executives
442
Junior Executives
521
Discipline wise Vacancies:
Junior Managers: Civil - 31, Operations & BD - 77, Mechanical - 03.
Executives: Civil - 73, Electrical - 42, Signal & Telecommunication - 87, Operations & BD - 237, Mechanical - 03.
Junior Executives: Electrical - 135, Signal & Telecommunication - 147, Operations & BD - 225, Mechanical - 14.
Age Limit: (As on 01/01/2021)
18 to 30 years for Executive and Junior Executive posts.
18 to 27 years for Junior Manager.
Pay Scales:
Junior Managers: ? 50,000 - 1,60,000 (E-2)
Executives: ? 30,000 - 1,20,000 (E-0)
Junior Executives: ? 25,000 - 68,000 (N-5)
Educational Qualifications:
Junior Managers:
(1) For Civil / Mechanical: Bachelor's Degree (B.E.) in Civil Engineering with not less than 60% marks in aggregate.
(2) For Operations & BD: 02 years MBA / PGDBA / PGDBM / PGDM in Marketing / Business Operation / Customer Relation / Finance with not less than 60% marks in aggregate.
Executives:
(1) 03 years Diploma in relevant engineering discipline.
(2) For Operations & BD: Graduation (Bachelor's Degree) with not less than 60% marks.
Junior Executives:
(1) Matriculation / 10th class pass with not less than 60% marks in aggregate.
(2) Minimum 02 years ITI year duration Course Completed Act Apprenticeship/ ITI approved by SCVT/ NCVT in any relevant trade.
Selection Process:
Computer Based Test (CBT)
Document Verification
Interview
Medical Test
Application Fee:
1000/- for Junior Manager, Rs 900/- for Executive and Rs 700/- for Junior Executive posts.
No fee for SC / ST / PwBD / Ex-Servicemen candidates.
The fee can be made through online mode only.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through DFCCIL official website (dfccil.com) from 24th April 2021. The Candidates should have a valid personal e-mail ID and Mobile number. The last date for registration of online applications is 23/05/2021 up to 23:45 Hours.

Tamilnadu Government Judicial Department has published recruitment notification for filling up 3557 vacancies of Office Assistant / Copyist Attender / Scavenger/ Sweeper/ Sanitary Worker/ Masalchi/ Sweeper/ Gardener/ Watchman/ Scavenger/Waterman & Water women/ Night watchman-cum-Masalchi/ Watchman-cum-Masalchi/ Night watchman/ Sweeper cum Cleaner/ Office Assistant cum full time Watchman posts for various Tamil Nadu Judicial Courts. Eligible Interested candidates apply online through jrchcm.onlineregistrationform.org portal on or before 6th June 2021.
Name of the Post
Total Vacancies
Office Assistant
1912
Watchman
496
Masalchi
485
Sweeper
214
Night Watchman
186
Sanitary Worker
110
Night Watchman cum Masalchi
123
Gardner
28
Copyist Attender
03
Age Limit: (As on 01/07/2021)
18 - 30 years for General (UR)
18 - 32 years for BC / MBC
18 - 35 years for SC / ST
Vacancy Districts: Ariyalur, Chennai, Coimbatore, Cuddalore, Dharmapuri, Dindigul, Erode, Kancheepuram (including Chengalpattu district), Kanniyakumari, Karur, Krishnagiri, Madurai, Nagapattinam (including Mayiladuthurai district), Namakkal, Perambalur, Pudukkottai, Ramanathapuram, Salem, Sivagangai, Thanjavur, The Nilgiris, Theni, Tirunelveli (including Tenkasi district), Tiruvallur, Tiruvarur, Thoothukudi, Tiruchirappalli, Tiruppur, Tiruvannamalai, Vellore (including Ranipet & Tirupattur districts), Villupuram (including Kallakurichi district) and Virudhunagar.
Pay Scale / Monthly Remuneration: Level – 1 ? 15,700 – 50,000
Educational Qualifications:
Office Assistant and Copyist Attender: Minimum VIII standard Pass. Matric also eligible.
For all other posts: To able to Read and Write Tamil Language. No minimum educational qualification.
Selection Process:
Written Test
Interview
Application Fee:
500/- for General / OBC / MBC category candidates.
No fee for SC / ST category candidates.
How to Apply: Eligible candidates should apply online only. Applications submitted through jrchcm.onlineregistrationform.org or concerned district court official website. The candidates are advised to make use of Only Desktop or Laptop to apply for the posts online and not to apply through smart phone or tab. The last date for registration of online applications is 06/06/2021.

Punjab Subordinate Services Selection Board (Punjab SSSB) has published recruitment notification for recruitment of Technical Assistant for fill up 120 vacancies in Punjab Warehousing Corporation. Eligible candidates apply online through Punjab SSSB Online Portal from 28th April 2021. The last date for registration of online applications is 20th May 2021.
Name of Post
No of Vacancies
Technical Assistant
120
Age Limit: 18 to 37 years as on 1st January 2021. Age relaxation as per Government Rules.
Educational Qualification: Graduation / Bachelor's Degree in Agriculture or Chemistry or Bio-Chemistry or Botany or Zoology.
Selection Process: Written Examination (Objective type {Multiple Choice Question (MCQ)})
Application Fee:
1000/- for General category candidates
250/- for SC / BC / EWS category candidates
200/- for Ex-Servicemen and Dependent candidates.
500/- for Physical handicapped candidates.
The fee can be made through online payment mode using Net Banking/ Credit Card/ Debit Card.
How to Apply: Eligible candidates apply online only @ SSSB Punjab online application portal from 28th April 2021. The last date for registration of online applications is 20/05/2021 up to 5:00 PM.

# অসাম হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা মফম মফমদা চত্তুনা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে



গুৱাহাটি, মে ১৭ (এজেন্সী): অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা লমদম অদুগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী মতাংদা হকথেংননা য়েংশিনবা হৌখ্রে।

অহানবগী ওইনা মিনিষ্টর অসিনা বরাক ভেলিদা চত্তুনা মীয়ামগা উন্নদুনা খুদোংচাদবশিং অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। করিমগন্স সিভিল হোস্পিটালদসু মিনিষ্টর অসিনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা হোস্পিটাল অদুদা লৈরিবা অৱাং অপাগী মতাংদসু ওথোরিটিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

হোস্পিটাল ওথোরিটিগা উন্নদুনা ৱারী শাখিবা অদুদা কোভিদ-১৯ গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালগী অৱাং অপাশিং মতম চানা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা খঙহল্লক্কবা পাউতাক পীখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা করিমগন্সকী দিপ্যুটি কম্মিস্নারগসু উন্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী পেন্দমিক্কী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা অসাম ষ্টেটনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং ফংবা ষ্টেট ওইরি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোন থুগাইবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটরশিংদা মহাক্না খঙহনখি।

মদুগী মতুং অমিনগাউনগী তুল রুম ত্রেনিং সেন্তরদা লৈবা কোভিদ-১৯ ক্যের সেন্তরদসু চত্তুনা য়েংশিনখি। মফমদুদা মহাক্না কোভিদ পেসেন্টশিংগা ৱারী ৱাতাই শাখি অমদি মখোয়গী অৱাং অপাগী মতাংদসু হংখি। হেল্থ মিনিষ্টর মশানা হকথেংননা লাক্তুনা পেসেন্টশিংগী ফীভম য়েংশিল্লকখিবা অদুবু সেন্তর অদুদা লৈবা মীওইশিংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি।




